# খুগা ডামগী রাইট কেনেল কাইরে
# ইকং মায়োক্লুরম্বা লৌফমশিং ঈশিং মনুংদা লৈখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, অগষ্ট ৫ঃ*** চূড়চান্দপুর ডিষ্ট্রিক্টতা পায়খৎলিবা খুগা ডামগী রাইট কেনেল(য়েৎথংবা লৌনম্বাল) কাইখ্রে। ইকংগী অৱাবা মায়োক্লুরম্বা মফম অদুগী লৌফমশিং ঈশিং মনুংদা লৈখ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, থাংজ অমসুং নোংমাইজিংগী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তারকপদা খুগা ডামগী য়েৎথংবা লৌনম্বাল অদু কাইখিবনি।

খুগা ডামগী স্পিল ৱে অমদগী য়ামদ্রবদা মিতর চহুমলোম চৎলগা লৈবা এম সেমোওন খূল মনাক্কী য়েৎথংবা লৌনম্বাল অদু অকনবা মখোল অমগা লোয়ননা কাইখি।

ডাম অদুগী লৌনম্বালগী শরুক অদু য়ামদ্রবদা ফিট তরানিথোইরোম শাংনা কাইখি। অদুবু ডামগী স্পিল ৱে অদু থিংজিনবা ঙমদবগী লৌনম্বাল অদু থিংবা ঙমদনা লৈরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

ডামগী লৌনম্বালদগী হাজিল্লকপা ঈশিংনা ইকং থোক্লগদ্রা হায়বগী অৱাবা মায়োক্লুরম্বা এম সেমোওন খূলগী য়ামদ্রবদা লৌ পরি তরারোম ঈশিং মনুংদা লৈখিবদগী লৌ শিরগদ্রা হায়বগী খূঞ্জাশিংদা নুংনাংবা অমা পোকহল্লে। মসিগী মথক্তা থিংজিনবা য়াদনা লৈরিবা স্পিল ৱে অদু শেমজিন্দুনা থিংজিন্দ্রবদি কাইখিবা মফম অদুগা লাপ্পদনা ওয় থংবা লৌনম্বালসু কায়খিবা য়ানা লৈরি হায়না মফম অদুদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

ঙসি অয়ুক মফম অদুদা সিংহাট কেন্দ্রগী এম এল গিনসুৱান হাওপু মশামক চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। এম এল এগী খোংচৎ অদুদা হাওপি রেঞ্জকী এম ডি সি (মেম্বর ওফ ডিষ্ট্রিক্ট কাওন্সিল) মিনবোই ৱাইফৈ, সাইকোটকী এম ডি সি লিরা অমসুং আই এফ সি ডি (ইরিগেসন এন্দ ফ্লড কন্ট্রোল ডিপার্টমেন্ট) কী ইই তুইসিংসু লোয়নরখি হায়রি।

ষ্টেটকী আই এফ সি ডি মিনিস্তর ঙমথং হাওকিপনা হন্দক্তা খুগা ডামগী ফিৱম অসি য়েংশিল্লক্লবা মতুং ডাম অসিগী য়েৎথংবা লৌনম্বালগী শরুক অসি কায়খিবনি।

মিনিস্তরনা ডাম অদুগী ফিৱম অদু য়েংশিল্লল্লবা মতুং হাংদোক্তুনা থল্লিবা স্পিল ৱেশিং অদু থিংজিন্নবা খংহল্লমখিবনি। অদুবু স্পিল ৱে অদু থিংবদা টেক্নিকেল ওইনা য়াদবগী লৌনম্বল অসি কাইখিবনি হায়রি।

এম এল এ হাওপুনা কাইখ্রবা লৌনম্বালগী ফিৱম অদু য়েংশিল্লবা মতুং মসিগী পাউ অসি মিনিস্তর ঙমথং হাওকিপতা পীবগা লোয়ননা স্পিল ৱে য়াদবা অদু শেমজিল্লগা থিংনবা হোৎনরগনি। মসিগী মথক্তা কাইখ্রবা লৌনম্বাল অদুসু শেমজিন্নবা তকশিল্লগনি। ঈশিংনা থুমজিনখিবদগী অমাং-অতা থোকখ্রবা লৌপুশিংদসু সরকারগী মায়কৈদগী মতেং পাংহন্নবা মহাক্কী মায়কৈদগী চিফ মিনিস্তর অমদি মরী লৈনবা মিনিস্তরশিংদা তকশিল্লগনি হায়না খূঞ্জাশিংদা থাজবা পীরম্লে হায়রি।